## এডিটোরিয়েল

# ইমা কৈথেল নুপীশিং খক্তগীনি

*ষ্টেট অমগী মায় ওইগদবা মীয়ামগী মীৎয়েং তাফম ওইগদবা মফমশিং শেমগৎ–শাগৎপা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা সরকারগী মীৎয়েং চংফম থোকপা ঙাক্তনি। কংগ্রেসনা লুচিংবা মণিপুর সরকারনা মখল মখা কয়াগী চাওখৎ–থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎখি হায়বসিদি হৌখিবা চহী খরসিদা ওইরিবা অহোংবা অমদি অওনবা কয়া অসিদগী খঙলবনি। ইন্দিয়াগী চাওখৎ খোঙজেল মতুংইন্না লৈবাক অসিগী ষ্টেট খুদিংমক থোং মান্ননা চাওখৎহনগদবনি হায়বগী পান্দম অমগা লোয়ননা মীৎয়েং চংলকপা মতমদা ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্টর্ন ষ্টেটশিং অসিনা খ্বাইদগী শোত্থবা ওইরম্বদু থেংনরকপদগী ইন্দিয়াগী ‘‘লুক ইষ্ট পোলিসি’’ অসি শেমখিবনি। অদুদা মমাঙগী ইন্দিয়ান এদমিনিষ্ট্রেসনা শেল থুমগা মরী লৈনবা মরম কয়াদা অথিংবা কয়া থল্লকপনা মরম ওইরগা পায়খৎলিবা অমদি পায়খৎলম্বা থৌরাং কয়াদা অপনবা কয়া থোকখি। মদুসু সরকার পায়রিবগী থৌশিলগা মরী লৈনবা ঙাক্তনি। সরকার অমা হায়বসি মথং মথং চত্থরকপা প্রোসেস অমনি। হায়রিবা প্রোসেস অদুনা মরম ওইরগা নৌনা শেল্লকপা থৌশিলশিংদা মরুওইনা ইকোনোমিক পোলিসিগী মখাদা শেল থুম খুৎচাও থানা শীজিন্নখিবা ষ্টেটশিংদা পায়খৎপা থবক কয়াদা অথিংবা থমখি। মদুমক ওইদুনসু মণিপুরদা ইমা কৈথেল অহুম শিদোক্লগা নৌনা শাবা হৌখিবা অদু মীয়ান্না থাগৎনখি। তৌবতবু ৱার্ক প্রোসেসতা য়েংশিন্দবা কয়া লৈরম্বা য়াই হায়না চিঙনবা অমদি মীয়ামদা ফাউখি অমসুং য়েঙশিল্লগা শাখিবা কৈথেল অমনা অকনবা য়ুহারগী চৈথেঙ অদু খাঙবা ঙল্লগা অতৈ কৈথেলশিংনা চৈথেঙ অদু খাঙবা ঙমদবদগী অতৈক অকাই য়াউরকপা হায়বসি মতমদুগী লৈঙাক্কী অশোইবা অমা ওইবা য়াই।*

*পূন্নমক অসি ওইরবসু খ্বাইরম্বন্দগী ইমা কৈথেল হায়বসি মালেম পূম্বনা খঙনরবা নুপীশিংতনা ফম্বা অমসুং মদুসু ইমা –ইবেলশিংনা ফম্বা কৈথেল অমনি হায়না লৌনরিবনি। অসিগুম্বা কৈথেল অসিদা ইমাশিং খক্তনা কৈথেল ফম্বীশিংগী অৱাৎ অপা হায়বদি চান–থক্লবা পোৎলম কয়া অসি য়োন্দুনা পূন্নমক্কী পেন্নবা হোৎনরম্বনি অমসুং মদুনা অৱাৎ অপা কয়া কৈথেল ফম্বীশিংগী মরক্তা মেনশিন্নবগী উপাই অমা ওইবগা লোয়ননা কৈথেল ফম্বীশিংগী ওইবা তান্নফমগী ওইবা মফম অমা হায়রিবা কৈথেলসিদা চান–থক্লবা য়োন্দুনা হিংনবা হোৎনরিবা মীওইশিংগী পোৎফমশিং অদুনা ওইদুনা লাকখি। হন্দক চহি খরগী মমাংদগী কৈথেল অসি নুপা কয়া অমা তোঙান তোঙানবা মথৌশিংগী ওইনা চঙশিল্লকপদগী হান্নগী নুপী কৈথেলগী ওইরম্বা মরমচৎ অদু মাঙখ্রে হায়না লৌনরক্লি। মসিগী মরমদি হেন্না খুদোঙ চাবা লৈবা নৎত্রগা খুদোং চাবা ফঙবা মপান লমগী মীওইশিং খরনা ইমাশিংগী লৈরিবা অশোনবা এরিয়া অদু য়েংলগা আইন্না থিংখ্রবা ওইরবসু হায়রিবা পোৎলম কয়া অদু য়োল্লগা মখোয়গী খুদোঙচাবশিং লৌদুনা লৈরি। মসি ঙসিদি মীয়ান্না খঙলে অমসুং মখা তানা অদুগুম্বা পোৎফম অসিদা মীয়ান চঙশিল্লকপদগী হোঙলক্লিবা ইমা মার্কেটশিংগী ফীভম অসিনা মার্কেট অসিগী শেঙলবা মশক অদু মাঙহল্লে। মরমসিদগী শক্তম অসি কন্নিংবা ইমাশিং থোক্লক্তুনা খোঙজংমক চঙশিন্দ্রগসু পেন্দবা কয়া অমদি ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা লমদমসিদা আইননা য়াদবা মওংদা চঙশিন্নবা খুন্দা–লৈতানবা হোৎনরিবা মীওই কয়া অসি চঙলকপদা অথিঙবা থম্বীয়ু হায়দুনা মীওই কাংলূপ অমনা লৈঙাক্তা খঙহন্নবা খোঙজং কয়া অমসু চঙশিনখ্রে। পূন্নকসি ওইরবা ফাউবদা ইমা কৈথেলশিংদা মীয়ান নুপাশিংনা চঙশিন্দুনা লল্লোন–ইতিক্কী থবক য়াউশিনবা হায়বসিদি লৈঙাকসিনা থিঙনবা হোৎনবা মথৌ তাবনি। অমবু ওইরবসু ইমা কৈথেলগী অশেঙবা শক্তমশিং অদু কন্নবা লৈঙাকসিনা অমদি কৈথেল ফম্বীশিংনা হোৎনবা তাবনি। মীয়ান নুপাশিংদা কৈথেল মনূং চঙদুনা লল্লোন –ইতিক তৌবা য়াউহনবা তারগদি মখোয়শিং অদুনা চঙবা য়ারিবা মফমশিং অদুদা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অসিগী লৈফম পীবনা হেন্না অচুম্বা খোঙথাং অমা ওইফম থোকই। ইমা কৈথেলশিংদা লাইসেন্স পায়দুনা পোৎফম ফল্লিবীশিংনসু পোৎফম ফংদবদগী ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং লৈরিবশিং অদুগী পোৎফম অমমম পীননবা হোৎনবগীসু মথৌ তাই হায়না খল্লি। মসিদি নাকল অনিনা ঙসি ফাউবা য়ান্নাবা পুরকপা ঙমদবদগী হাঙদুনা লৈরিবা ইমা কৈথেলশিংগী প্লোটশিং অদুফাউবা অতোপ্পা মী অমত্তা চঙল্লকপা য়ারোই হায়বগী অথিংবা থমদুনা লাক্লি। মসিনা পূন্নমক্কী ৱাথোক অমা চহি খুদিঙগী ওইনা লৈহনবদৌনা তৌই পূন্নমকসি অমুক মখা তানা প্রোব্লেম ওইহন্দনবা লৈঙাকসিনা থৌশিল অমদি নৌনা শেম্বগী মথৌ তাই। পূন্নমক ওইরবসু অনৌবা চহি চা অসিগী লেমহৌরিবা মতম অসিদা শেমদোকপা য়াবা থৌরাঙ খরা খরা লৌখৎত্তুনা মণিপুরিশিংগী ফীদা অমা কলহৌনবা হোৎনবগী মথৌ তাই।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### অচৌবা তেঙবাংগী তঙাইফদবদুনি হুজিক

*ইকায় খুম্নজরিবা এদিটর,*

*খ্বায়দগী থম্মোয় শোকপা থৌদোক অমদি হৌখিবা তাং ১১ গী নুমিদাংগী পুং ১০ তারমদাইদা নোসনেল হাইৱে–২ পরিংগী তেংদোং য়ানগী মফম অমদা মপুরোইবগী অশিবা হকচাং পুরগা লাকচবা ওতোরিক্সো অমগা ত্রক অমগা থেংগাইনদুনা অশিবা মপূরোইবগী হকচাং মথৌ–মঙম পাঙথোক্লুনবা য়ুমদা পুজরকপা মাগী নুপী অমদি নৌরিবা মচানুপা অমুকসু শীরে। লোয়ননা মচানুপী চহি ১৫ তা ঙাইরিবী অমসু ফিভম থীনা শোকপদগী রাজ মেদিসিটিদা লাইকন্নরি হায়রি। কয়াদা থম্মোয় শোক্লিংঙাইনো। অৱাবদা হেন্না অৱাবা মনম মনম পীদুনা ইস্মুং অমবু মুৎপা য়ারবা লাইগী ৱায়েল ওইরবসু হাকমল্লি, মীনুংশিং খঙমন্দে ঈশর। হোয় শীববুদি নোংমদি শোয়দ্রবা তাইবং মীওইবনি অদুস্মকপু মীয়ান্নদি পেন্নদে।*

*হুজিক করি তৌগনি ইস্মুং মনুংনা, অশিবনা শিখ্রবসু হিংহৌরিবী মফম খঙদা লায়েংলিবী অদুগী ফিভন্না করি তল্লিগবা । পুন্নমক ঈশ্বরনা য়াদ্রবনিনা লৈঙাকপদা তাইনবা তাবনি। অৱাবদা তেংবাংবীয়ু হায়বা তাবনি। লৈঙাকশিংনা তেংবাংবীদ্রবদি ঙন্নমক অৱাবা তাবা তাবনি। মীয়ামগী তেংবাং অমদি লৈঙাক্কী তেংবাং নত্তনা হেন্না হেন্না মরাইবক থীরবা ইমুং অদুনা করি ৱাখল খল্লমগনি।*

*মীওইবদি মীওইবনা তেংবাংনগদবনি। মদুমক্তনা সলাই হোল্ডিং প্রাইভেট লিমিটেদকী মাইস্নাম সোমোরজিৎনা মীওইবগী মীনুংশিগা লোয়ননা অৱাবা নঙলবা ইমূংসিদা লুপা লিশিং ১০ মতেং ওইনা খূৎশিন্নরম্লে। কয়া অমসু অৱা তেংবাংলকসনু। পামজবদি লৈঙাক মপু অমদি লৈঙাক্কী থৌদা পুবীরিবশিংগী য়াম্না মরুওইবা প্রজাগী মীনুংশিগী ওইবা অচৌবা তেংবাংদুনি।*

*অদোমগী*

*খুমন লৈমা, ইম্ফাল*

# শজিবু চৈরাওবা

চহী খরসি চৈরাওবা মকোক ঙাওরক্লি। মালেমগী খোংচৎতা পাবা সোলার ইয়ার অমসুং থাগী খোংচৎতা পাবা লুনার ইয়ার অনিসিগী মরমদা কন্না নৈনরক্লি। খরনা সোলর ইয়ারগী মতুং ইন্দুনা শজিবুগী নোংমা চনবদা চহী হৌদুনা চৈরাওগদৌবনি হায়, অদুগা খরমনা লুনার ইয়ারগী মতুং ইন্দুনা নোংম পানবদা চহী হৌদুনা চৈরাওগদৌবনি হায়। মান্নদবী অনি থোকপী নত্রগা ময়াম থোকপী হায়বসি মালেমগী লাইনা লাইচৎনি। চৈরাওবা অনি থোকলকপদা অঙকপদি পোকত্রবসু মান্নদবগী লাইনাসিদি পকহনজনিংদে।

করিগুম্বা মাক্যুরী অমসুং ভেনস প্লানেতগুম্না মালেমগীসু সেতলাইত (থা) অমত্ত লৈরমদ্রবদি লুনার ইয়ার হায়বমা লৈরম্মোই। জুপিতারগী গুন্না থা ময়াম অমা লৈরম্মবদি লুনার ইয়ারগী ৱাফমসি লৈরম্মোই। জুপিতরগী থা ৬৯ লৈ হায়। থানা মালেমগী অকোইবদা কোইবদা চংখিবা নুমিৎ মশিংগা মালেম্না নুমিৎকী অকোইবদা কোইবদা চংঙিবা নুমিৎ মশিংগা চহী অমগী ওইনা চপ মান্নরম্মবদি চৈরাওবা অনি থোক্লম্মোই। মালেমগী ওর্বিট অসি খর খুরমদুনা নুমিত ৩৫৪ না চহী শারম্মবসু ৱানইরম্মোই।

ইন্দিয়া মশাগী ওইনা সোলার ইয়ারদা চৎনরবসু মফম কয়ামরুমদা তোঙান তোঙানবা কাংলূপ্না নবরে,উগাদি, ছেত্তিচান্দ, চৈত্রশুক্লাদি অসিনচিংবা হায়দুনা চহী হৌবগী থৌরম শজিবুগী নোংম পানবা নুমিত্তা পাংথোকনরি। নিংথৌরেন বিক্রমাদিত্যগী মতমদগী হৌদুনা বি. সি. ৫৭ দগী সংবত (সম্বত) হায়না চহী হৌনরক্লি। মসিসু শজিবু নোংম পানবদা থৌরম পাংথোকই। নোংজা ২১–৩–১৫ ইং শজিবুগী নোংম পানবা থাংজ নুমিত্তা ‘বিক্রম সম্বত’ ইউ. পী. গী লক্ষ্মীনচিংবদা পাকশন্না হিন্দুগী নিউ ইয়ার (নব বর্ষ) গী থৌরম পাংথোক্লখি।

থানা মালেমগী অকোইবদা কোইবদা মালেন্না লেংদনা লৈরম্মগদি নুমিৎ ২৭ পুং ৭ মিনিত ৪৩ গুম্বদা মপূং ফাগদৌবদু নুমিৎ ২৯.৫৩০৫৮৭ গুম্বদা চাওরাক্লা নুমিত ২৯ ১/২ গুম্বদা মপূং ফানা অমুকলক কোই। থা ১২ না চহী সারিবসি থাগী খোংচৎতগী পারবদি নুমিত ২৯ ১/২X১২.=৩৫৪ তমক শুই। মসি চহী ফাদে, নুমিত ১১ গুম্ব ৱাৎলি। অদুনা চাওরাকপা থা ৩২ ১/২ গুম্বদা থা ১ হাপচিল্লি। মদুবু থানন্নবা (Intercalary month, মলমাস) হায়না কৌই। করিগুম্বা চহীদদি থা ১৩ না চহী শাই।

ইন্দিয়া গোভর্নমেন্টগী য়াথং অমগী মতুংইন্দুনা (ইং কুমজা ১৯৫৭ গী মার্চ ২২ দা থোকখিবা) বাংলা কুমজা ১৩৬৩ গী চৈত্র ৮ বু চৈত্র ১ শকাব্দ ১৮৭৯ হায়না শেমদোক্তুনা চৎনরকখি। অদুনা সোলার ইয়ারগী নুমিৎ মশিং অদু তাননবা অহৌবা থা বৈশাখগী ভাদ্র ফাওবা অহানবা থা ৫ নুমিৎ ৩১ নিন থা শাই, আশ্বিনদগী ফালগুন ফাওবা থা ৬ অসিনা নুমিৎ ৩০ না থা শাই। অদুগা অরোইবা থা চৈত্রদি নুমিত ৩০ না, লিপ ইয়ারদনা ৩১ না থা শাই। নোংচুপলোমগী গ্রেগরিয়ান কেলেন্দরগা মসিগা চহীগী মতম মান্নদে।

চাওরাকপা নুমিৎ ৩৬৫ পুং ৫ মিনিত ৪৮ সেকেন্দ ৪৭ না চহী অমা শাই। মদু নুমিৎ ৩৬৫.২৪২২১৮ গুম্বনি। চন্না নুমিৎ ৩৬৫ গা পূং ৬ না চহী শাই। হায়রিবসি নিংথৌরেন সিজারনা নোংচুপ লৈবাকতা হৌদোক্লম্মী। অদুবু ১৬ শুবা চহী চাদা সিজারগী নুমিৎ ৩৬৫ গা নুং ৬ (৩৬৫.২৫) না চহী শাবসি লাল্লে হায়বা খংনরকখি। নুমিৎ ৩৬৫.২৫–৩৬৫.২৪২২১৮=.০০৭৭৮২ হেনজিন্না পাশিল্লে। চহী ৪০০ দদি .০০৭৭৮২X ৪০০= নুমিত ৩.১১২৮ হেনজিল্লে। অদুনা চহী ৪০০ গী মনুংদা লিপইয়ার ১০০ লৈগদবদু ৯৭ খক তমক লৈহল্লি। মসিগী মওংসি রোমগী পোপ গ্রেগরীনা হৌদোকপীরম্বনি। হৌজিকসু চৎনরি। ইংকুমজা ১৫৮২ দগী রোমনা কেথলিক লৈবাকশিংদা পোপ গ্রেগরীনা চুমথোক্লবা চহী পাবগী মওং অদু লৌদুনা চুমথোকনরকখি। ইংলেন্দদদি ইং কুমজা ১৭৫২ দা নুমিত ১১ নি ৱাৎলে হায়দুনা চহীসিগী সেপ্তেম্বর ৩ গী মহুৎতা সেপ্তেম্বর ১৪ (১১+৩) হায়না পাদুনা চুমথোরকখি। অদুম হায়না ইংকুমজা ১৮৭৩ দা জাপান, ১৯১২ দা চীন, ১৯১৮ দা রাশিয়া, ১৯২৭ দা তুরস্ক লৈবাক্লচিংবা মথং মথাং চুমথোক্লরক্তুনা চৎনরকখি। হৌজিকতি লৈবাক অয়াম্বদা চৎনরক্লে।

ইংলেন্দদদি চহী অমবু সীজন ৪ থোক্লা খাইদোকই। ইন্দিয়াদনা ঋতুগী মতুং ইন্দুনা মতম মতমগী লৈ শাৎলি, মপান শাই, মহৈ–মরোং পাল্লি। পুং ২৪ না নোংম শারিবসিসু মালেমগী খোংচৎকা মরী লৈনৈ, থাগী খোংচৎকদি মরী লৈনদে। সীজন নত্রগা ঋতুগুম্না মীতৈগী চহী অমবু পানথা ৮ থোক্লা খাইদোকই। মখোয় অদুদি য়েন্নিং পানথা, ওলাংথা, নোংজু পানথা, লৌরোক পানথা, খোংগং থা (তু, খোং খোংবান্নচিংবা কংশিল্লকপা মতম), ইকং থা, নিংথম থা, নাকেন পানথা (অসিৎ অৱান থা) অসিনি। পানথাসু মালেমগী খোংচৎকা মরী লৈনৈ।

ইন্দিয়ান স্তেন্দার্দ তাইম (আই. এস. তি.) এলাহাবাদ ময়াদ ফাওদুনা চৎলিব ৮০° লোংগিচ্যুদতগী পাবনি। ইম্ফালগী লোংগিচ্যুদনা ৯৪° গুম্ব ওইবনা মসিগী লোকেল তাইম অসিনা মিনিত ৫৬ (১৪X৪) গুম্বা ঙনখৎলি। নুমিৎ থোকপসু তাবসু মিনিত ৫৬ গুম্বা হাল্লি অদুগা নুমিৎ য়ুংবা অমসুং নোংয়াইসু মিনিত ৫৬ গুম্বা হান্না ওই। অদুনা নুমিৎ য়ূংবা মমাং লাইথৌ তৌগে হায়রবদি আই.এস.তি. (ঘড়ি) গী পূং ১২ তাগদবগী মিনিত ৫৬ মমাংদা পাংথোক্কদৌবা ওই।

মীতৈগীদি নুমিৎ থা পাদুনা চৎনরকই। লমদা থাংজদা শরোই খাংঙি। হৈচক, হয়াচক, খুনুংচক লাংবচক হায়দুনা চক ৪ লৈ। মখোয়সি শরোই খাংবগসু মরি লৈনৈ হায়। ইনিংথৌশিংনা কোনুংদা উত্রা শংলেন লিংবিরম্মী, লোইশং কয়ামরুমসু খাইন খাইনা লিংবিরম্মী। কোংব লৈথোং ফাৎপা শজিবু লৈখুন ফুনবগী লাইথৌ অসিসু শাজিবু চৈরাওবগা মরী লৈনৈ হায়। নোংমৈবুংদা চুক (য়ুম্বী) য়ুংঙগা নুমিৎন থোরকপদা তাব মমি অমসুং তারকপদা তাবা মমি য়েংদুনসু চৈরাওবগী নুমিত লেপ্পী হায়। মরী লৈনবা লোইশংগী অখং অহৈশিংনসু নুমিৎ থা পাদুনা চৈরাওবগী নুমিৎ লেপ্পী হায়। মতম অদুগী পানাশিংদা লৈবা অখন্নবা মীওইশিংদা থৌগাই পুহনদুনা চৈরাওবা তাবা নুমিত অদুগী পাউ লৈবাক চেনথোকহল্লম্মী হায়। চপ মান্নবা নুমিৎতা লৈবাকপূম্বা চৈরাওনরম্মী। লৈরি, নোংদমলৈ, খোংগুনমৈলৈ, মখল মখলগী উরৈ, কোম্বীরৈনচিংবা চৈরাওবা মতমদতা মহৌশাগী ওইনা শাৎপ লৈশিংতবু চৈরাওবদা লাইদা কৎনৈ। অপোম্বা লৈ লাইদা কৎনদে। শজিবু নোংমা চনবদা চৈরাওবগী নুমিৎ অসি এপ্রিলগী নোংজা ১৩ নত্রগা ১৪ দা তাগল্লি। নুমিৎ অসিমক্তদা ম্যানমার, কোম্বোদিয়া, থাইলেন্দনচিংবা নোংপোকলোমগী লৈবাকশিংদসু চহী হৌবগী থৌরম পাংথোকনৈ হায়।

ইবুধৌ পাখংববু ‘লোইদাম থাজ পাখংব’ হায়না থাজগা পাংখক ওইনা মিংখৈনৈ। নুমিৎকা পাংখক ওইবা সনামহী লাইনিংথৌগী মিংখৈরোনদা ‘নোংখোং কোইব অঙম্ব’ হায়না য়াওরি। অদুনা সনামহীনা নোংখোং কোইবা পাখংবনা ফানখোং কোইবগী ৱারি অসি নোংমা চনবদা চৈরাওবগা মরি লৈনরে। মমাংঙৈদা লৈবাক পূন্নমক নুমিৎনা মালেমগী অকোইবদা কোই হায়না লৌনরম্মী। ইতালীগী সাইন্তিস্ত গেলিলিও গেলিলীনা মদু নত্তে, “The earth rotates round the sun.” মালেন্না নুমিৎকী অকোইবদা কোই হায়না পুথোকপীরম্বনি। হৌজিক্তি নুমিৎ অসি লেংদনা লৈ হায়বা খংনরবসু নুমিৎনা নোংপোকলোমদগী থোরকই হায়না অদুম হায়নরি।

মমাংঙৈদা শাজিবুগী নোংম পানবদা চৈরাওই হায়বসি সুকতা তাজরকতে। হোলিদে লিস্ততসু য়াওরমদে। হয়িং খোংবানদা সনামহীগী তেম্পল লৈরবা মতুংদা মীওই খরন মফম অসিদা মীফম ফম্মগা নোংমা পানবদা চৈরাওগদৌবনি হায়বগী ৱারেপ লৌখি। মখোয়না খল্লিবদি লৈবাক পূন্নমক চহীগী অহৌবা থাগী অহৌবা নুমিৎত গী চহী হৌনৈ। অদুনা মীতৈগী অহানবা থা শজিবুগী অহানবা নুমিৎ নোংম পানবদা চৈরাওফম থোকই হায়বসিনি। মখোয়না শজিবুগী নোংম চনবগী ৱাফমদি নিংশিংবিহৌদ্রে। মদু সোলার ইয়ারগী অহানবা নুমিৎনি হায়বসু নিংশিংবিহৌদ্রে। জানুৱারীগী নোংজা ১ সি থাসিগী নোংম পানবদু নত্তে। ইন্দিয়াগী ওইনসু বৈশাখ ১ (পোইলা বৈশাখ) অসি বৈশাখকী নোংম পানবদা নত্তে, নোংম চনবা অহানবা নুমিতনি। অদুনা মীতৈনা শজিবুগী নোংমা চনবদা চৈরাওরিবসি মরম চাই।

চৈরাওবসি শজিবুগী নোংম পানবদা তাগনি হায়বদু অকক্লনা লৈতে। চহী শাংনা পানবা নিংথৌশিংগী মতমদা মতা চানরুদুনা নোংমা পানবদা চৈরাওবা নুমীত অনি অহুমলক তাবসু য়াওই। ইশামকসু নোংম পানবদা চেরাওবা নুমিত তাখিবা অনিরক থেংনজখ্রে। ইংকুমজা ১৭৪৪ দা শজিবুগী ২৮ পানবদা, ১৭৪৬ ইংদনা শজিবু ২০ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্ত চৈরাওখি হায়না চৈথারোন কুম্বাবদা পল্লি হায়।

নোংম পানবদা চৈরাওবগীদি ২০১২ ইংদা নুমিত ৩৫৫ না, ২০১৩ ইংদনা ৩৮৪ না, ২০১৪ দনা ৩৫৫ না, ২০১৬ দনা ৩৮৫ না, ২০১৭ দনা ৩৫৫ না, অদুগা কুমশি ২০১৮ ইংদনা নুমিত ৩৫৪ না চহী শাই। মসি মরিং মরাংঙি। ২০১৫ ইংগী শজিবু নোংম পানবা মৈতৈ–মীতৈ চৈরাওবা নুমিত নোংজা ২১–৩–১৪ ইংদা তাখি, নোংম চনবগী চৈরাওবগা নোংজা ১৪–৪–১৫ ইংদা তাখি। নুমিত ২৫ নি খেন্নবনা মহৌশাগী ওইনা লৈ শাৎতে, হৈপানদে। মহৌশাগী ওইদবা ঙন্না থারগা ঙন্না শাৎপা, থেংনা থারগা থেংনা শাৎপা কুসুমলৈদি শাৎলি।

কুম থাদা মীনম্বদি য়াদবনা মকুম মথা সুরগা নোংম চানবদা লৈরাং শাৎলি, হৈরাং পাল্লি হায়বসি ইপা ইপুশিংদুনা হকথেংননা খংবিদুনা নুমিত সুরগা নোংম চনবদা রৌওবিরম্মিবনি। অদুনা ইপা ইপুশিংগী খুদুং ইনজদুনা নোংমা চনবদা ঐখোয়সু চৈরাওবগী লাইথৌ নুমিত অসিনা লাকপসিদা লৈবাকপূম্বা চাওখৎপগা লোইননা ইংনতপ্পা তংদু লৈতানা পানবা ঙমহনবিরসনু হায়না মপূদা থৌনিজরি।

**মোইরাংথেম তুনান, বাবুপারা, ইম্ফাল**

# চৈরাওবগী নুংগী ওইবা ৱাফম

চৈরাওবা মণিপুরদা খুন্দারিবা মৈতৈ গৌরিয়া বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎচবা অদুগা মৈতৈ লাইনিং চৎচবশিংনা চহি খুদিংগী শজিবুগী নোংমা পানাবা অমদি এপ্রিলগী তাং ১৩, ১৪ দা পাংথোক্লন্দুনা লাকই। চহি কুমজা অমা হায়বসি রবি গ্রহ (নুমিৎনা) মেষ রাশিদগী হৌরগা রাশি ১২ দা কোয়না কোয়না চৎলি। রাশি অমমমদা থা অমমম লৈ। থা ১২ চঙনা চৎলি। মসিদা কোয়বা চৎপগী মতম নুমিৎ মশিং অসি চাওরাক্লা ৩৬৫ গা পূং ৫ মিনিট ৪৮ সেকেন্দ ৪৭ চহি অমা ওই। মসিবু সোলর মহুকী চহি অমনি। মতাং অসিদা পনবা য়ারিবদি নুমিৎনা রাশি ১২ দা মথং মথং লাকপসিনা অরোইবা মীন রাশি চৈত্র কৌবা থাদা থা অমা ফারক্লবা নুমিৎ মশিং ৩৬৫ ১/৪ শুবা পূংফমদগী সৌর জগৎ তাইবং পানবগী চহি কুমজা অমা মপূং ফারে মসিবু নিরায়ণ (সোলদিয়ার) কৌই। মথং পূংফমদগী মেষ রাশিদা নুমিৎনা চঙলকপা পূংফমদগী চহি হৌবা নুমিৎনি। মসিবু পৃথিবীনা নুমিৎকী অকোয়বদা রিভোলুসন তৌবদা চঙবা মতম অদুমক্লি হায়না লৌনরিবনি। মসিবু এপ্রিলগী তাং ১৩, ১৪ মণিপুরগী গৌর চৈরাওরিবা নুমিৎ অসি সোলর মহুকী অনৌবা চহি হৌবগী পূংফমদনি, চৈত্রগী মতম লোইদুনা বৈসাখকী নোংমা পানবদনি, মশিং থিবা হায়বসি অমদগী হৌরগা থিনবনি অদুনা গৌরগী চৈরাওবা অসি সোলরগী নোংমা পানবগী পূংফম চংঙএ হায়দুনা লাওবনি। ইন্দিয়া অমদি মণিপুরদা পাংথোক্লরিবা প্রবর্ব্দিন লাইথৌ থৌরম অয়াম্বা থবানদা চৎনৈ, খুদম ২০১৮ গী শজিবুগী ১০ নি পানবদা কনাগুম্বা মী অমা লৈখিদ্রবা মদু মথং চহিগী ২০১৯ গী শজিবু ১০ নি পানবদা ফিরোই পাংথোক্কনি। মসি থবানদা পাংথোকপগী মওংনি, অদুবু হৌজিক্তি কনাগুম্বা অঙাংশিংগী র্বাথ ডে সেলেব্রেসন পাংথোকপদা গ্রেগোরিয়ন কেলেন্দরগী তারিখতা পাংথোক্লে। অদুবু তোঙানবা লাইথৌ থৌরম ৪ খক্তি থবানদা অমদি গ্রেগোরিয়ান পাংথোকপদা গ্রেগোরিয়ন কেলেন্দরগী তারিখতা পাংথোক্লে। অদুবু তোঙানবা লাইথৌ থৌরম ৪ খক্তি থবানদা অমদি গ্রোগোরিয়ান তারিখতগী লৌরগা পাংথোক্লুদে অদুদি (১) ৱাকচিং থাগী মকর সংক্রান্তি (২) অমুবাজি (৩) বিশ্বকর্ম্ম পুজা (৪) এপ্রিলগী তাং ১৩, ১৪ গী গৌরগী চৈরাওবা হায়রিবা মরি অসি সোলরগী খোঙচত্তা লৌরগা পাংথোকই, অদুনা থবানগী খোঙচত্তা পাংথোক্তবা পূন্নমক চৎনবা য়ারোই হায়বা লানগনি, লুনরগী, সোলরগী খোঙচৎ তোঙান তোঙান্না লৈরিবনি, লুনর থাগী খোঙচৎ অসিদি সোলর মহুকী খোঙচৎকী মখা পোন্না হিংজবনি।

শজিবুগী নোংমা পানবদা লাওরিবসি ঐখোয় মৈতৈগীনি হায়নরি মসিদা খহুনিংঙাই ওইরিবদি নোংমা পানবগীসিদা মরুওইনা পাংথোক্ল রিবসি ভারতর্বষগী ইতিহিসকা শাগোন্দুনা লাক্লিবা সংসারগী লৈশেম্বা মপু ব্রহ্মানা জগৎ শেমখিবগী নুমিৎনি হায়না লৈরি, অদুগা প্রভু রামচন্দ্রনা রাজ অভিষেক তৌখিবা নুমিৎনি, মথংদা য়ুদ্ধিষ্টীরনা কলিআব্দা কলিগী চহি হৌদোকখিবা নুমিৎনি, মথংদা বিক্রম সম্বতনা কলিগী চহি হৌদোকখি, অদুগা শজিবুগী নোংমা পানবা অসিবু ভরতর্বাষনা ঋতু রাজ হায়না অনৌবা চহি হৌবা নুমিৎনি, লোইননা নুমিৎ অসি আয্য লিংখৎখিবা নুমিৎনি। অদুনা ঐখোয়না মৈতৈগীনি হায়রিবা নুমিৎ অসি ভারত পূম্বগী মৈহৌরোল লৈশেমলোলগী নুমিৎ অদুগা ইমান মান্নরে। মৈতৈশিংনা শজিবুগী নোংমা পানবদা লাওরিবসি হিন্দুশিংগী লৈশেমলোনগী চহি হৌবা নুমিৎতুমক ওইরম্বসিদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা ৱাহং কয়া অমা লাক্লরে, মসিবু ঐখোয়গী ওইরিব্রা?

অদুগা গৌরগী এপ্রিল তাং ১৩, ১৪ দা লাওরিবসিনা সোলার মহু (নুমিৎকী ) খোঙচৎতা লাওবনি মসিদা পাংথোক্লিবা লৈবাকশিংদি থাইলেন্দগীনা (সঙক্রান), লাওসকীনা (সঙক্রান পিমাই লাও), ম্যান্মারগীনা (থিঙয়ান), কম্বোদিয়াগীনা (চোল চনম থামে), কেরলা, পঞ্জাব, হরিয়ানা, বেঙ্গোল (অনৌবা চহি হৌবা পোহলা বৈসাখ), অসাম (অনৌবা চহি হৌবা বোহাক বিহু), হিন্দু সিখ (বৈসাখী), তামিলনাদু (পুথান্দা), ওরিসা (পনা সঙ্ক্রান্তি), শ্রীলঙ্কা (অলুঠ অবেরেদু), করনাটকা (বিষুব) অসিনচিংবা লৈবাকশিংদা পাংথোকই অদুগা মরুওইনা সাওথ এসিয়াগী লৈবাকশিংদা এপ্রিল তাং ১৩, ১৪ দা পাংথোক্লরিবা অসিসু ময়াংগী মতৌ তম্বা হায়না লৌগদ্রা? অদুগা মসি চরক পুজা ওইবা তারিব্রা, অদুগা মণিপুরদা চৈরাওবা অসি চরক পুজা নত্তে, কনাগুম্বনা পাংথোকপা তারবদি মদু পুথোকপিরকপা ফগনি। গপ্রিলগী তাং ১৩, ১৪ দা লাওরিবসি চহি লোইরে হায়না লাওবা খক্তা নতে, চহি অমগী অরোইবগা মদুগী হৌরকপগা তাইনফমদা লাওবগী চৎনবীদুনি, অদুবু পুংফমদুমক্তি পাংথোকপা ঙমদবনিনা ময়াম সধারনগী পাংথোকপগুম্না পাংথোকপনি। শজিবুগী নোংমা পানবদা লাওরিবসি লুনর মহু খোঙচৎ অসিদি মশিং থিবদা নুমিৎ ৩৫৪, ৩৫৫ করিগুম্বা চহিদনা নুমিৎ মশিং ৩৮৫ শুবসু য়াওই, অদুনা মসি অরেপ্পা লৈতবা খোঙচৎ অমগুম্বনি। অদুনা মালেমগী ওইনা চহি ১ হায়বগী মতম সোলরগী খোঙচৎ নুমিৎ মশিং অসি ৩৬৫ নি, মসি খৃতুগী খোঙচৎনি পূন্নমক্লা য়ান্নরবা ৱাফমনি।

অদুনা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি ইনিংথৌ ক্যাম্বগী মতম খৃঃ ১৪৮৪ অসিদগীদি নুপা মরিনা চৈ পায়দুনা লাউরম্বদু চৈ থাদোক্তুনা নুপা অমখক্তনা লৈবাক্কী অমদি নিংথৌগী থৌগাই থৌদা পুবা হৌরকখি হায়বনি। মসিনা থোরক্লিবা ৱাফমদি ঐখোয় মৈতৈশিংনা ৱাহৈ পাবগী মতাংসি অনেম –অৱাং, অরুম–অয়াংদা শিজিন্নৈ। চৈ পায়দুনা লাউরম্বদগী চৈ থাদোকখ্রে হায়বসিদি অর্থ থোক্ত্রে। ওন্নরে। মসিগী মহুৎতা চৈ থেক্লগা মশিং থাবা (মশিং পাবা) নুমিৎ থবান কুমশিং মশিং শুরে হায়দুনা চৈ–থাবা, চৈথাবা মসিনা হেন্না চুশিন্নৈ হায়না খঞ্জে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংলিবা ৱাফমদি চৈ পায়রগা লাওবা হায়বসি মতম অদুদা খবর, টেলিভিজন, রেডিওনচিংবা লৈতবনিনা শগোল তোংদুনা খোক–ৱা চৈদা শরিক পুন্দুনা, লাওদুনা চৎলিবসি মতম অদুগী পাও চেনবনি (এদর্ভতাইজ) তৌবনি। মসি চাওখৎলকপগী মতুংইন্না অতোপ্পা পোৎশক অমনা মহুৎ শিনখিবনি। মসিদা নুপা ৪ না লৈবাক্কী পাও পীবনি অদুগা চৈথাবা হায়দুনা লাকইবসিনা লৈবাক্কী নিংথৌগী চহি অমগী অৱা–অনা, থৌগায় –থৌদা পুরিবনি। তশেংনা হায়রবদা উশিন শিনবগুম্বনি অদুনা পান লাকপা ৪ না চাওখৎলকপগী মতুংইন্না চৈ থাদোকখিবসিগা অতোপ্পা কনাগুম্বা নুপা অমনা লৈবাক্কী নিংথৌগী অৱা–অনা মহুৎশিনবসিগা চৈথাবা ওইরিবা অসিগা করিগুম্বা হিরম অমত্তদা মরি লৈনদে। অদুগা নোংমা পানবগী চৈরাওবসি খৃঃ ১৯৯৮ মার্চ ২৮ শজিবু নোংমা পানবা নোংমাইজিংদা মৈতৈ চহি হৌবা, খৃঃ ১৯৯২ দসু মৈতৈ চহি হৌবা, খৃঃ ২০০০ এপ্রিল ৮, শজিবু নোংমা পানবা মৈতৈ চহি হৌবা হায়না মণিপুর ডাইরিদা য়াওদুনা ফোঙখ্রবনি। অমনা এপ্রিল ১৩, ১৪ দা লাউরিবা অসি গ্রিগোরিয়ান কেলেন্দর অমদি থবানগী নুমিৎকা মরি অমত্তা লৈতে। কনাগুম্বনা গ্রিগোরিয়ন কেলেন্দরগী মতুংইন্না অমদি মতৌ তম্বগী ৱা ওইনা হায়বা ইরকপা য়াওই। মদুদি খঙদদুনা হায়বনি। মসিমক্তি রবি গ্রহগী মহৌশাগী লাইরেম্বী ঋতু খোঙচৎকী মতুংইন্না ওইরকপা নুমিৎনি। রবিগী অয়ানংশ খোঙচৎ অসি চাংচৎতা চহি অমদা ৫৪ (কলা) ওইবনা চাওরাক্লা চহি ৭২ মুক্কী মতুংদা অয়ানাংশ ডিগ্রী অমা ওই। মরম অসিনা চহি ৭২ মুক্কী মতুংদা গৌর চৈরাওবসি গ্রিগোরিয়ান তারিখতা নোংমা চোম্বরক্কনি। খুদম অমনা মৈদিংঙু চন্দ্রকৃতি সনা হাক্তক্তা ১৪ নি ইরাইদা বিষুব সংক্রান্তি ওই। শোক ১৯১৫, ১৫ নি থাংজদা শজিবুগী পালোক ওইএ। অদুগা ফুট নোটতা ১৪ নি ইরাই তাং ১১–৪–১৮৭৩ ইং চৈত্র ৩০ চৈরাওবা হায়না য়াওরি। মতম অদুদা এপ্রিল ১১–১২ দা পাঙথোক্লমই। রবিগী খোঙচৎতা পাঙথোকপনিনা গ্রিগোরিয়ান তারিখ থবানগসু মরি অমত্তা লৈনদে হায়না মসানা তাকএ।

মণিপুরগী গৌর চৈরাওরিবা অসি মহাবিষুব সংক্রান্তি কৌই। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা খ্বাইদগী হেন্না ফরিবনা জগৎকী মপূ শ্রী মহাদেবগী অফবা নুমিৎ মীপূম খুদিংমক্লা ঙাইনরিবা অফবা নুমিৎতুনি। নুমিৎ অসিদা চীংদা কাদুনা মহাকপু থৌনিজরবদি য়াইফবা ওই। লোয়ননা মহাক অসি পোকপা–শিবা নাইদবা জগৎ পূন্নমকপু মাঙহনবীবা অমুকসু পুন্নমকপু শেম্বীবা লোয়ননা মঙ্গলগী মশক ওইবনি। অদুগা মহাক অসি দ্রাবিদ দ্রাবিদিয়ন, হিমালয়ন পীপল হায়বদি ট্রাইব মোঙ্গোলোইদশিংগী লিরবা লাইনি লোয়ননা চীংদা তোংবা, চীংদা লৈবা চীংগী মপুনি হায়না মহাকপু মালেম পূম্বদা নিংনরি।

ঐখোয়গী চৈরাওবা কয়াম কুইরবগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম অমত্তং ঃ–

মণিপুরগী অখঙ–অহৈ ওঝাশিংনা লাইরিক্তা ইবিরকপদা হৈ চক হৈয়া চক্কী মতমদগী অদুগা নোংদা লাইরেন পাখঙবা হাক্তক্তগী লৈকাই লৈকাইগী পানা লাকপা মরিনা পানাগী ফি শেৎতুনা লৈকাই লৈরক–খুল্লক্তা খোক ৱা চৈদা শরিক পুল্লগা শরিক খিংদুনা লাউদুনা চৈথোবগী পাউ চৎলি হায়না থম্বীরি। অদুবু মতাং অসিদা পঞ্জনিংলিবা ৱাফমদি মণিপুরদা পানা লৈরকখিবসিদি ইনিংথৌ ক্যাম্বগী মতম খৃঃ ১৪৮৪ দা অহল্লুপ পানা অমদি নহারুপ পানা হায়না অনিখক লৈরে। অদুগা খৃঃ ১৭১৫ দা ইনিংথৌ গরিবনিৱাজ নিংথৌগী হাক্তক্তা খাবম পানা অমদি লাইফম পানা অনি হাপচিন্দুনা নিংথৌ অনিসিগী হাক্তক্তা পানা মরিখক লৈরে। অদুনা হায়রিবা নিংথৌ অনিসিগী মমাংদদি নিংথৌ অমত্তগী হাক্তক্তা পানা লৈরখিদবনা মমাংদা হায়খ্রিবা নোংদা লাইরেন পাখঙবা অমদি হৈ চক হায়া চক হাক্তক্তগী লৈকাইগী পানা লাকপা মরিনা চৈথাবা লাউই হায়বসি চৎনবা য়াদবা ৱাফমনি হায়বসি মশানা তাকচরে মরমদি মতমদুদা পানা লৈত্রি।

এপ্রিল ১৩, ১৪ গী গৌরগী চৈরাওবসি অকক্লবা জাতি অমখক্কী নত্তে, গ্রহ, উপগ্রহ নুমিৎ থাগী খোঙচৎতা লৌরগা পাঙথোকপনি। ঐখোয় মণিপুরীশিংগী চহি হৌবগী চৈরাওবা অসিদা তোঙানবা মশক অমা উরিবসিদি থোইদোক্লা চাওথোকচনিংঙাইনি মদুদি চহি অমগী চৈরাওবা লাক্লে হায়দুনা য়ূম–কৈনচিংবা শেংদোক্তুনা অনৌবা মচু লৈতেংদুনা লুন–নান্না থম্বা অদুগা ময়ূম পানখ্রবী নিঙোলশিংনা মপামগী মপা–মতোন, মবুং মৌপ্বানচিংবগী মফমদা ফি, খুদৈ, ফুরিৎ, খোঙ্গ্রাওনচিংবা ঙমজবা খুদোল পিদুনা পূন্সীবা–নুংঙাইবা, য়াইফবা ওইরসনু হায়না য়াইফ–মঙ্গল পিবিরি, মসিনা মমা–মপা, মচিন–মনাও নুংশিনবগী চাওরবা মমি অমসুং তারি। নুমিৎ অসিদা লাইদা ভোক লুকনচিংবা অথুম–অহাও য়াওনা কৎতুনা চামিন্নগদবনে, লাইদা কৎতুনা চামিন্নবগী মহৈদি মচু মমেন ফৈএ, পুন্সি চাউথোকএ, কুম অদু চুপ্পা লাইনা চিঙ্গাক ৱাওনা কুবীএ, মপোক খুদিংসু লন–থুম অফবা ফংজেএ, নুমিৎসিদা লাইদা কৎতুনা চাদ্রবদি মী অদু চিঙ্গাক্কী অৱাবা নংএ, মচু মমেন মকএ, লাইগী থৌজাল লৈতে, পুন্সি ময়েং তাইএ, নুমিৎ অসিদা ফি অহনবা হোংগদবনি।

লাইদা বিষ্ণুদা, মহাদেবদা, লাইনিংথৌদা, লৈমরেলদা কৎপগী হৈকৎ–লৈকৎ অদুদি চহি খুদিংগী পাঙথোক্লিবা অদুমক চপ মান্নে। অদুমক তৌবিয়ু। অদুগা অরিবা চহিনা লোইখিবা, অনৌবা চহিনা লাক্কদবসিদা, লায়না তিন্না লৈতবা, তংদু লৈতাবা, ইং–তপ্পা শন্তি লৈবা ওইরসনু।

**ব্রহ্মাচারিময়ুম গুনমনি শর্ম্মা**

**ডেম্বা খুঞ্জাও ময়াই লৈকাই, থৌবাল দিষ্ট্রিক**